HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

Vol. 47, Issue No. 39 | য়ুমশকৈশা, কালেনগী ১৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, May 03, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

### চীফ মিনিষ্টরনা আই এল পি এসকী ফেসিএল রিকগনিসন সিষ্টম হৌদোকখ্রে

# আই এল পি পায়দবশিং মশক খঙলগনি : বিরেন



ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচএনএস) : চহী খরগী মমাঙদগী মণিপুরদা অমুক হন্না ষ্টেট অসিদা মপান্দগী লাকপা মীওইশিংদা পীবা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম (আই এল পি এস) চৎনহল্লকখ্রবসু অসিগুম্বা পর্মিট পায়রগা মতম হেন্না লৈশিল্লম্বা অমসুং পর্মিট য়াওদনা চঙলকপশিং খঙদোকপদা লৈরম্বা অহোবশিং কোকহন্নবগীদমক ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা আই এল পি এসকীদমক কেমেরা ২ হাপ্লবা ফেসিএল রিকগনিসন সিষ্টম (এফ আর এস) গী গাড়ী অনী লোঞ্চ তৌদুনা থবক হৌহনখিবগা লোয়ননা পাস য়াওদনা চঙলকপা মীওইশিং মশক খঙদোকপদা মতেং পাংলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী সেক্রেটেরিএটতা মোবাইল এফ আর এস ভেহিকল অনী লমথাবগী থৌরমদা মখা তানা হায়, মণিপুরদা ইল্লিগেল মাইগ্রেন্ট কয়া চঙশিল্লকপদা থিংনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা থবক লৌখৎলক্তুনা মীশিং য়ামজদবা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং কন্নবা প্রিভেন্টিভ মিজর কয়া লৌখৎপা হৌরে। মসিগী মনুং চন্না আই এল পি পায়দুনা চঙলকপা মীওইশিংগী ভেলিদ চ্যেক তৌননবা ফেসিএল রিকগনিসন সিষ্টম অসি ঙসি হৌদোকপনি হায়খি।

কেমেরা হাপ্লবা মোবাইল ভেহিকলশিং অসিনা আই এল পি পায়রিবশিং অদু মতম হেল্লব্রা নৎত্রগা হেন্দব্রা হায়বদু চাংয়েং ওইনা য়েংশিনবা হৌরে। অহানবা ত্রাইএল তৌবদা ইম্ফালগী ইমা কৈথেলদগী মীওই অনীসু অরানবা আই এল পি পায়রম্বদগী ফাগৎপা ঙল্লে হায়খি।

লোয়ননা মণিপুরদা মপান্দগী মীওইশিং লেপ্তুনা চঙশিল্লকপগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা হৌজিক অরানবা মওংদা চঙলকখিবা ম্যান্মার মচা ৪১০ দিটেন্সন কেম্পশিংদা থমদুনা ভেরিফিকেসন চথুরি। হন্দক ম্যান্মারদা থোকখিবা চরাংনবা থৌদোকশিং অদুনা মরম ওইরদুনা মণিপুরগী ঙমখৈদা চেনশিল্লকপা ম্যান্মা রিফ্যুজি ২৫০০ রোমসু ভেরিফিকেসন তৌদুনা হৌজিক রিফ্যুজি কেম্পশিংদা থল্লি। মিজোরামদগী লোগী ৱাংমদা চঙলকপা ...মখা লামায় ৭ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Illegal Drugs kaya fagatpa leptribasi leingakki War on Drugs Campaign mai paktri haibagi mayek laraba khudam oiroidra?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www. hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : May Dayda sinmisinggi numit pangthokpa khaktana sinmi pumnamakki fangfam thokpa chakthung chap mannana fanghanba ngamgadra?

Yes 0% No 100%

**অস! লোইরেহে!**

- পুপু হয়েং থবক তৌবদা য়োন্নবা লৌ লৈত্রদি লাইরিক তম্বা কান্নদে!



- শবাস! ইশুনা হায়বা চুম্মী।

# ভাইস প্রসিদেন্টগী খোঙচৎকীদমক খম থেংনা চেকশিল্লে



ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচএনএস) : পুং খরগী খোঙচৎতা হয়েং নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ইম্ফালদা থুংলগদবা লৈবাক অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট জগদিপ ধনখর অমসুং মহাক্কী

## পুলিস-কম্মান্দোনা মফম কয়াদা হান্না কোইশিল্লগা থি-হুন্বগী থবক চথখ্রে

লোয়নবী ডা. সুধেস ধনখরগী খোঙচৎকী মাঙওইননা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং খম থেংনা লৌখৎখিবগা লোয়ননা মফম কয়াদা পুলিস-কম্মান্দো পর্সনেলশিংগী কম্বাইন্দ টিমশিংনা মাঙজৌননা কোইশিল্লগা থি-হুন্বগী থবক পাক শন্না চথখ্রে।

নুমিৎয়ুংবা মমাঙদা ন্যু দেল্লীদগী অসামগী দিব্রুগরদা লাক্তুনা মফম অদুগী দিব্রুগর য়ুনিভর্সিটিগী ২১শুবা কনভোকেসনগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াদুনা ৱা ঙাঙলল্লবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## মণিপুরদা অহানবা ওইনা এস সী এন্দ এস টি প্রোটেক্সন ওফ এত্রোসিটিজগী কেসতা মীওই ১ ফাদোক পীরে

ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী সেসন্স জজ শিংগী মনুংদগী অহানবা ওইনা স্পেসল জজ (সেদ্যুল্ড কাষ্ট এন্দ সেদ্যুল্ড ত্রাইব প্রোটেক্সন ওফ এত্রোসিটিজ) সেনাপতিনা ঙসি লাউথোকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অমদি ওর্দর ওফ সেন্টেন্সকী মতুংইন্না সেদ্যুল্ড কাষ্ট এন্দ সেদ্যুল্ড ত্রাইব প্রোটেক্সন ওফ এত্রোসিটিজ এক্ট, ১৯৮৯গী মখাদা মীওই অমা ফাদোক ...মখা লামায় ৭ কলম ১

নম্ফুদা লুপা লাখ ৬০ লৌরম্বগী সস্পেন্দ তৌরবা এন আই এগী ওফিসল ২গী য়ুমশিংদা রেদ চথখ্রে (পেজ ৭)

## রাহুল গান্ধীগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজার্ভ তৌখ্রে

সুরট, মে ০২ (এজেন্সী) : হৌখিবা মার্চ ২৩দা সুরটকী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট অমনা চহী ২গী কনভিক্সন পীখ্রবা কোংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা মহাক্কী কনভিক্সন অদু চৎনহনবীদনবা সুরটকী সেসন্স কোর্ট অমদা রিভিজন পিটিসন ফাইল তৌরুবদা রিজেক্ট তৌরকখিবদগী গুজরাট হায় কোর্টতা অমুক হন্না ফাইল তৌরকখিবা আপীলগী অরোইবা হিয়ারিং ঙসি পাঙথোকখিবগা লোয়ননা কোর্টনা মহাক্কী আপীল অসিগী মরাইবক ওইগদৌরিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদি রিজার্ভ তৌদুনা থমখ্রে।

রাহুল গান্ধীনা মহাক্কী আপীল ...মখা লামায় ৭ কলম ১

HL-B/8138/3







